# রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়া নীংবা কায়রম্বা অদু সট্লর পি ভি সিন্ধুনা হিঙ্গৎহনখ্রে, কিদম্বী শ্রীকান্ত লৈহৌরে








রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৭ ঃ

রিও ওলেম্পিক্সতা ইন্দিয়ানা লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফংখিবা মেদল অদুগী শরুক অমা হেন্না ফংগনি হায়না পান্নরম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা মেদলগী অশা লৈবা শান্নরোয় কয়া মথং মথং নীংবা কায়খ্রবা মতুং সট্লর পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমী ফাইনেল চঙদুনা ইন্দিয়াগী কায়রুরবা আশা অদু হিঙ্গৎহনখ্রে।

পি ভি সিন্ধুনা নুপীগী সিঙ্গলস সেমী ফাইনেল চঙখ্রবা মতুং ঙসি ইন্দিয়াগী মেদলগী আশা তৌরম্বা সট্লর কিদম্বী শ্রীকান্ত মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লী দানগী মখূৎতা মায়থীদুনা রিও ওলেম্পিক্সতগী মপান থোকখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াগী সট্লর পি ভি সিন্ধুনা ৱিমেন'স সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাং লী হানবু ২২-২০, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা পি ভি সিন্ধু সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অনীরক ফংখ্রবী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ৱাং লী হানগা মিনিট ৫৪ চুপ্পা শান্নখিবদা পি ভি সিন্ধুনা ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাকখিবনি।

মশাগী চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবী সট্লর পি ভি সিন্ধুনা সাইনা নেহৱালগী হেক মতুংদা ওলেম্পিক্সকী সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অনীশুবা নুপী সট্লর ওইরি।

কুমজা ২০১২ কী লন্দন ওলেম্পিক্সতা সাইনা নেহৱালনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রবা মতুং পি ভি সিন্ধুনা হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্সতা অচৌবা আশা থম্বগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্না পি ভি সিন্ধুদা অচেৎপা থাজবা থম্লক্লি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী সট্লর কিদম্বী শ্রীকান্টগী নীংবা কায়বা নুমিৎ ঙসি ওইখ্রে। কিদম্বী শ্রীকান্টনা লী দানগী মখূৎতা ২১-১৬, ১১-২১, ২১-১৮ দা মায়থীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌখি।

কিদম্বী শ্রীকান্টবু মায়থীবা পীরমখিবা লী দান ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা মালেমগী মমিং লৈরবা সট্লরনি। মশাগী চহী ৩২ শুরবা লী দানগা লম্বা তৌনখিবা ইন্দিয়াগী সট্লর কিদম্বী শ্রীকান্ট শুপ্নতগী চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবা নহা ওইরিবা সট্লরনি।

লী দাননা সেমী ফাইনেলদা মালেসিয়াগী ভেটরান লী চোং ৱৈগা শান্নরগনি।

## OLYMPICS MEDALS


| POS. | COUNTRY | GOLD | SILVER | BRONZE | TOTAL |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | USA | 28 | 30 | 28 | 86 |
| 2 | GREAT BRITAIN | 19 | 19 | 12 | 50 |
| 3 | CHINA | 17 | 15 | 19 | 51 |
| 4 | RUSSIAN | 12 | 12 | 14 | 38 |
| 5 | GERMANY | 11 | 8 | 8 | 27 |
| 6 | FRANCE | 8 | 11 | 11 | 30 |
| 7 | ITALY | 8 | 9 | 6 | 23 |
| 8 | NETHERLANDS | 8 | 3 | 3 | 14 |
| 9 | AUSTRALIA | 7 | 8 | 9 | 24 |
| 10 | JAPAN | 7 | 4 | 18 | 29 |
| 11 | KOREA | 6 | 3 | 5 | 14 |
| 12 | HUNGARY | 6 | 3 | 4 | 13 |
| 13 | KENYA | 4 | 3 | 1 | 8 |
| 14 | SPAIN | 4 | 1 | 2 | 7 |
| 15 | NEW ZEALAND | 3 | 6 | 1 | 10 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ – ১৬

1. কুমজা ১৯৬৬ তা ইংলেন্দা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল পাঙথোকখি। মদুদা ৱেম্বলি ষ্টেদিয়মদা ফ্রান্স অমসুং উরুগ্বেগী টিম্না শান্নগদবা মেচ অমা অতোপ্পা ষ্টেদিয়ম অমদা হোংহনখি। মসিগী মরম করিগীনো?
2. ওলেম্পিক্কী জিম্নাষ্টিক্সতা শরুক য়াগে হায়রবদি শান্নরোয় অমগী মশাগী চহী কয়া শুগনি?
3. মখাগী ৱাহৈশিং অসি করম্বা হঙ্গেরিগী ৱর্ল্ড কপ শান্নরোয় অমনা হায়খিবগে –"পুৱারীদা খ্বাইদগী ফবা (হৈবা) ফুটবোল শান্নরোয়দি দি ষ্টেফেনোনি। ঐহাক পেলেবু শান্নরোয় অমা ওইনা লৌদে, মহাক্তি মসিদগী হেন্না ৱাংনা লৈ"।
4. ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম, লুপাগী অমা, শেঞ্জেংগী অনী ফংখিবা শান্নরোয় অমা মশাগী চহী ৯৭ শুবা মতমদা কুমজা ১৯৯৬ কী অটলান্টা ওলেম্পিক্কী হৌদোকপগী থৌরমদা চেবাউ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। খ্বাইদগী শাংনা পুন্সিবা ওলেম্পিক্কী মেদল ফংবা শান্নরোয় অসি মশাগী চহী ১০১ শুগদবা নুমিৎ মরিনি ৱাৎলিঙৈদা কুমজা ১৯৯৯ দা লৈখিদে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?
5. শ্রী পাঙম্বম নিলকমল সিংহনা মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওলেম্পিক্কী শান্নরোয়নি, মণিপুরীশিংগী মনুংদা অহানবা ওইনা কম্মনৱেলথ গেমসদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয় অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৯, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।




## চান্দম ইনুংঙানবী মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা কুকি এস সি অমসুং পি ৱাই সি ফাইতোল অনীনা শান্নরগনি



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবামনা শিন্দুনা জিরিবাম গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা ১৩ শুবা চান্দম ইনুংঙানবী মেমোরিএল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৯ দা পি ৱাই সি ফাইতোল অমদি কুকি এস সি অনীনা শান্নরগনি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা সুপর লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচতা এন ৱাই সিনা চিকিম য়ুথ ক্লব গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। অনীশুবা মেচতনা পি ৱাই সি ফাইতোল অমদি কুকি এস সি অনীনা গোল অমমম চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচ অদুদা চিকিম য়ুথ ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি অদুগা এন ৱাই সিনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক্না য়াম্না কন্না শান্নদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা গোল চন্ননবা হোৎনখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এন ৱাই সিগী গাইসিনলুংনা মেচকী ১৮ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী শান্নরোয় গাইবিদিননা মেচকী ২৭ শুবা মিনিটতা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা চিকিম য়ুথ ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু থাংবোইনা মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখি।

## গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ, ষ্টেট টাইক্বান্দো হৌরগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ২৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ অমসুং ১২ শুবা গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ মণিপুর ২০১৬ হয়েংদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী টাইক্বান্দো ত্রেনিং হোলদা চথবা হৌরগনি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা থা অসিগী ২১ ফাওবা চথুগদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ অমদি গভর্ণরস টাইক্বান্দো কপ অসি হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম (আই এ এস), ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ৱাই খেমচান্দ অমদি য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী হান্না জোইন্ট দিরেক্টর ওইরম্বা দব্লিয়ু সুসিলকুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

পনবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অসি হান্না বালভবন মনাক্তা লৈবা অনৌবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বদগী খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী নেসনল স্পোর্টস একাদেমিগী টাইক্বান্দো ত্রেনিং হোলদা হোংদোকখিবনি।

## অত্য পত্যগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

মহারাষ্ট্রগী নাগপুরদা লৈবা সরিরিক সিক্সন মহাবিদ্যালয়া ডা. মুন্দে মার্গতা চহীসিগী সেপ্তেম্বর ২৩ দগী ২৫ ফাওবা ২৫ শুবা জুনিয়র বোইজ অমসুং ১৮ শুবা জুনিয়র গার্লস অত্য পত্য নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রাইএল কম ফাইনেল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ২১ গী অয়ূক পুং ৭ তাবা মতমদা লৈমপোকপম এসোসিএশন গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

## ষ্টেট লেভেল কেরোম টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

সোসিএল ৱেলফেয়র এসোসিএশন (এস দব্লিয়ু এ) চবুং কম্পেনিনা শিন্দুনা চহীসিগী সেপ্তেম্বর ১ দগী ৪ ফাওবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ কেরোম টুর্নামেন্ট ২০১৬ ময়াং ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল ওপন কেশ প্রাইজ কেরোম টুর্নামেন্ট অসি জুনিয়র বোইজ অমদি মেন'স দবলস ইভেন্টতা পাঙথোক্কনি।

শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি হায়রি।

## ইম্ফাল ইষ্ট বেদমিন্টনগী ট্রাইএল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না শিন্দুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং খন্নবগী ট্রাইএল অমা থা অসিগী ২৮ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ঈ এস য়ুগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু থা অসিগী ২১ গী অয়ূক পুং ৮ তাবা মতমদা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন এসোসিএশন্না শিন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রাইএল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোয়শিংনা এসোসিএশনগী সেক্রেটরিদা মতম চানা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস কে ৱাই সি অমসুং দি এম রাও মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা সেকমাই কাংজেবুংদা টিম নিপান্না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাই অমসুং দি এম রাও অৱাং সেকমাই মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা সুপর দিভিজন লীগকী অহানবা মেচতা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইনা চিকল চজিং গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাই অমসুং চিকল চজিংগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে।

মেচকী অহানবা হাফকী ১৪ শুবা মিনিটতা এস কে ৱাই সিগী টি ঐচ অপা মীতৈনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্লবগী লম্বী শেমখি। এস কে ৱাই সি অৱাং সেকমাইনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা চিকল চজিংগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা চিকল চজিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা এস কে ৱাই সিদগী গোল অমা শোথুনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা চিকল চজিংগী শান্নরোয় জি অশিংমৈনা মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চন্দুনা মায়কৈ অনীমক গোল অমমম চন্নদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী অহাপ্পা মতমগী অনীশুবা মিনিটতা এস কে ৱাই সিগী এন জি বিশ্বরজিৎনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাকখি।

মেচ অদুদা এস কে ৱাই সিগী এন জি পিটর ৮১ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা ৱাই দি ও লমদোং কোঞ্জেং লৈকায় গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা দি এম রাওগী অহানবা গোল বোইনাওনা মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এম দি সনা শাহানা মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা অদুগা টিমদুগী অহুমশুবা গোল শুসিলনা মেচকী ৭৬ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ৱাই দি ওগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে বিপিন্না ৪৪ চৎপা মতমদা চনখি।

মেচ মায়থীহৌরবা দি এম রাওগী বোইনাও, নাওচা অমদি এম দি সনাশাহাদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

হয়েং সুপর দিভিজন লীগকী মেচ লৈরোই। মফম অসিদা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগকী মেচ ওইনা হয়েং ৱাই এ সি য়াইস্কুল অমসুং কে এস সি লম্বুলেন্দ অনীনা অহানবা মেচ ওইনা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৪৫ তাবা মতমদা ৱাফা ৱাঙ্গৈই অমসুং সাই আর সি তাকয়েল পাৎকা শান্নগনি।

## থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস ৱাই দি এ অমসুং আর পি য়ু পপাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) থৌবালনা শিন্দুনা চরাংপাৎ মনিং লৈকায়দা লৈবা আর ৱাই দি ওগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস ৱাই দি এ অমসুং আর পি য়ু পপাল মায় পাকখ্রে।

টিম ৯ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথুরিবা ফার্ষ্ট দিভিজন লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এস ৱাই দি এনা এস এল ৱাই ও গোল ৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এস ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা লাকশিনবা ঙমদ্রবসু তপ্পা তপ্পা লাকশিল্লক্তুনা মেচ অদু দোমিনেট তৌশিনখি অদুবু মেচ মায়থীহৌরবা এস এল ৱাই ওগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদা য়াম্না হৈশিংনা শান্নখিবনা মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা কে ঐচ সোমোরজিৎনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

মেচ অদুদা এস এল ৱাই ওনা য়াম্না অঙনবা মতমদা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা এস ৱাই দি এগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লনবগীদমক য়াম্না চেকশিন্না অমদি কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা গোল মঙা মথং মথং চনশিল্লকখি।

গোল শোথরিবা এস ৱাই দি এগী শান্নরোয় এল রিসিকান্তনা গোল অহুম মেচকী ২৫, ৪২ অমদি ৪৮ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি।

টিমদুগী শান্নরোয় এ কে কিষন্না গোল অমা মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা অদুগা এম দি রহমন্না গোল অমা মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল মঙা শুখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এস এল ৱাই ওগী শান্নরোয় সি ঐচ রোমেন মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা অদুগা ৱাই ইতো মেচকী ৪৫ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা আর পি য়ু পপালনা ঈ এল ৱাই এস এলাংখাংপোকপী গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা আর পি য়ু পপালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফতা টিমদুগী গোল অনীমক থংনা থংননা এম রোসন্না মেচকী ৯ অমদি ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

আর পি য়ু পপালনা গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা ঈ এল ৱাই এস এগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু অহানবা হাফ ফাওবদা ঈ এল ৱাই এস এ গোল অনী আর পি য়ু পপালদগী শোথুনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা ঈ এল ৱাই এস এগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনিটতা এম দি সিকন্দরনা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা চন্দুনা আর পি য়ু পপালদগী গোল অমা হন্দোকখি।

## দাংমৈ মজাবি কবুই সুপর দিভিজন লীগতা অমোফা মোইরাংনা সি ৱাই সি মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৭ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙরাংদগী চথুরিবা তরুকশুবা দাংমৈ মজাবি কবুই মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা অমোফা মোইরাং মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা অমোফা মোইরাংনা সি ৱাই সি গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা অমোফা মোইরাং অমসুং সি ৱাই সি অনীগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদগী হৌনা অমনা অমগী মায়কৈদা গোল চন্ননবগীদমক অকনবা এটেক কয়া চথনখি। টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নরকখিবনা মেচকী অঙনবা মতম ফাওবদা টিম অমত্তনা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি অদুবু মেচ অদুগী অহানবা হাফ থারমদাই ৪৫ শুবা মিনিটতা অমোফা মোইরাংগী য়াম্না হৈশিংলবা শান্নরোয় সি ঐচ রিক্সনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

অমোফা মোইরাংনা গোল অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা সি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনখি। মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা সি ৱাই সিনা গোল অমা অমোফাদগী শোথুনা লৈখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা অমোফা মোইরাং অমসুং সি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল চন্নবা লৈজবী মথৌনা ফুদোক্তুনা শান্নরকখি। গোল অমা মাঙজিল থানা লৈরিবা অমোফা মোইরাংগী এম বিজয়না টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা চনখি।

গোল অনী শোথুনা লৈরিবা সি ৱাই সিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৭৪ শুবা মিনিটতা জিয়াবুং রোংমৈনা টিমদুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চনখি।

হয়েং এফ সি মোইরাং অমসুং লসাল লৈমপোকপমগা শান্নগনি।




HL-B/3252/8/8-7/9



HL-B/3223/29/07-28/08

